ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯏꯔꯥꯢ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯰꯲, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, ওগষ্ট ০২, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ১২৫শুবা মশীং

## মপান থোকফম মতীক চাদবা

### নুপী ওইবীশিংদা চাউনা খূদোংচাদবা মায়োক্লুহনবগী ফীভমদা লৈরি

ৱর্ল্ড টোইলেট ওর্গনাইজেসনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মালেমদা মীওই বিলিয়ন ১ রোম মওং মরীল তাবা টোইলেট শীজিন্নবগী খূদোংচাবা ফংদে হায়রিবসি নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি। হৌজিকসু ইন্দিয়াগী মীওই মিলিয়ন ৬০০ লোম লমহাংদা অমাং-অশোই তৌবগী থৌওং চৎথরি। খুঙ্গংগী মফম অয়াম্বদা শেন্থোক মতীক চাদবা ইমুং অয়াম্বা খোঙ হাম্ফম অমসুং মপান থোকফম মতীক চানা থন্নদবগী মওং অমা উবা পংলি। মপান থোকফম অমসুং খোঙ হাম্ফম মতীক চানা লৈতবনা খ্বাইদগী চাউনা খূদোংচাদবা মায়োক্লুহল্লিবসি নুপী ওইবীশিংদনি। মফম-মতম চাদবদা নুপী অয়াম্বা খোঙ হাম্নিংলকপা নৎত্রগা মপান থোক্লিংলকপা মতমদা খাঙজিনবনা হকশেলদা চাউনা খূদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা য়েংবদা মফম অয়াম্বদা নুপী ওইবীশিংনা খোঙ হাম্নিংলকপা নৎত্রগা মপান থোক্লিংলকপা মতমদা কিলোমিটর ১ রোম মখোঙনা অচীকপা মফমদা চৎপগী ফীভমদা লৈরি। ষ্টেটিষ্টিক্স খরগী রিপোর্টনা হায়, চাওখৎলে হায়রিবা দিল্লিদফাওবা সেক্স্যুয়েল এসোল্ট নৎত্রগা নুপীদা চৎথবা ক্রাইম চাদা ৭০ রোম নুপী ওইবীশিংনা অচীকপা মফমদা খোঙ হাম্বা নৎত্রগা মপান থোকপা চৎপদা থোকপনি। হকশেলগী ওইবা মীৎয়েংদগী য়েংবা মতমদসু পব্লিক টোইলেট মতিক চানা থম্বা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু এচ ও)না ফোঙদোক্লি। দব্লিয়ু এচ ওগী রিপোর্ট অমনা হায়, চহী অমদা এইদস, মলেরিয়া অমসুং মীজল্সনা শিহনবা অঙাং মশীংদগী খোঙ হাম্ফম নাতে চাদবনা দাইরিয়া শন্দোরকপদগী শিবা অঙাং মশীংনা য়াম্না হেল্লি। কুমজা ১৯৯৯ দা দাইরিয়ানা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা মীওই ৭,০০,০০০ হেন্না শিখি। শিখিবা মীওই অয়াম্বা মশাগী চহী ৫ শুদ্রিবা অঙাং ঙাক্তনি। লৌনগনবা লায়না মখল কয়ামরুম শন্দোরকপগী মরু ওইবা মরমসু টোইলেট অমদি সেনিটেসন মতীক চাদবনা ওইহল্লকপনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট কৃষন কুমার অগরৱালনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না নুপী ওইবী অয়াম্বা খোঙ হাম্নিংলকপা নৎত্রগা মপান থোক্লিংলকপা মতমদা খাঙজিনবা মরম্না মখল কয়াগী লায়না পোকহল্লকপা য়াই। মতম শাংনা খাঙজিন্দুনা লৈরবদি হকচাংনা চীঞ্জাক্তগী কান্নরবা ন্যুট্রিয়েন্টশিং লৌশিনবা ঙমদে। পূক্তা নুংশিৎ কাখৎলকপা মরম্না ইন্টেষ্টাইনদা য়াওবা হকচাংদা য়াম্না কান্নবা বেক্টেরিয়াশিং শিহল্লি।

লৈবাক্কী মফম খূদিংমক, মরু ওইনা মী তিনবা মফমদা পব্লিক টোইলেট মতীক চানা থমদুনা নুপা অমসুং নুপীগী তোঙান-তোঙানবা খোঙ হাম্ফম অমদি মপান থোকফম নীংথিনা লৈহনগদবনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী মোৎ পীনরক্লবসু থবক ওইনা পায়খৎলকপা থেংনদ্রি। স্বাছ ভারত মিসন-গ্রামিন (এস বি এম-জি)না মরম ওইরগা রুরেল ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বা লমহাংদা অমাং-অশোই তৌহন্দবা মফম ওইহনবা ঙম্লে হায়না লাউথোকখিবা তারবসু অর্বান এরিয়াদা মতীক চাবা পব্লিক টোইলেট সিষ্টম লৈহনবা ঙমদবগী মওং অমা উবা ফংলি। মিনিষ্ট্রি ওফ হাওজিং এন্দ অর্বান এফেয়র্সনা পায়খৎপা স্বাছ ভারত মিশন-অর্বান (এস বি এম-য়ু)গী মখাদা ইন্দিয়াগী সিটি ২,৭০০ 'ওপন দিফেকেসন ফ্রী' ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে। কুমজা ২০১৮গী য়ুনিয়ন বজেটতা স্বাছ ভারত মিসনগী লুপা ক্রোর ১৭,৮৪৩ কাইথোকখিবনি। অদুম ওইনমক পব্লিক প্লেস অমদি থবক মফমদা টোইলেট মতীক চানা থম্বা ঙমদবগী মওং অমা উবা ফংলি। লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা কোর্ট কমপ্লেক্স চাদা ১৫ রোমদসু মতীক চাবা নুপীগী ৱাশরুম লৈতে হায়রি। স্বাছ ভারত অভিয়ানগী মখাদা স্বাছ ন্যায়ালায়া প্রোজেক্ট পায়খৎতুনা কোর্ট কমপ্লেক্সশিংদা টোইলেট মতীক চানা লৈহন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। থা ৬কী মনুংদা কোর্ট কমপ্লেক্স ১৬,০০০ তা টোইলেট কমপ্লেক্স শেমজিন্নবা থৌরাং লৌকৎখ্রবসু 'বিধি সেন্টর ফোর লিগেল পোলিসি'না চৎথখিবা সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়, লৈবাক্কী কোর্ট কমপ্লেক্স চাদা ১৫ দা নুপীগী ৱাশরুম লৈতে। কোর্ট কমপ্লেক্সতা নুপীগী ৱাশরুম লৈতবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুর, অন্ধ্র প্রদেশ, অসাম, বিহার, ছতিসগর, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, ঝরখন্দ, মহারাষ্ট্রা, মধ্য প্রদেশ, নাগালেন্দ, ওদিষা, পঞ্জাব, পুদুচেরি, রাজস্থান, তামিল নাদু, উত্তর প্রদেশ, উত্তরখন্দ অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গল য়াওরি। লৈঙাক্লা স্বাছ ভারত মিসন পায়খৎতুনা খুঙ্গংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদফাওবা খোঙ হাম্ফম অমদি মপান থোকফম মতীক চানা শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রগা কোর্ট কমপ্লেক্স য়াওনা সিটিগী মরু ওইবা মফমশিং অমসুং পব্লিক প্লেসতা টোইলেট মতীক চানা লৈত্রিবসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোক্লে।

### এডিটরদা থারকপা চিঠি

## থোংজাউ অমদি নীকপা-খপ্পা হৌরে, কনামত্তা থেংনবিদ্রিবরা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

চহী মতম শাংনা পুন্সিদুনা কালেন - নোংজু থা খাক্তনা নম্বুল তুরেলগী খোংনুংদা খুরু-খুদক কুন্দুনা লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌজরম্বা থোং নম্বোনবী অদু ঙসিদি মহাক্কী পুন্সি চেঙজেল লোইখ্রমাল্লে, অচিকপা তাঞ্জা অমদা মথন্তা নীংখায়জবা হৌরে। অসিগুম্বা মশক মওং তোপ-তোপ্পা লৈবা থোং অসি য়াম্না নুংশি নীংঙাই ওইবা, মথৌনা মরিংজেল লৈরকপা লোয়ননা মণিপুরগী পুৱারীদা ময়েক লানা লৈহৌরগদবা থোং অমনি। হৌজিক মতমদা মণিপুরদা পংশাদা শানরিবা আর সী সীগী থোংদা-লাক্তাশিং অসিনগা লম্বা তৌবা ঙমদ্রিবনি। অদুমকপু শিরগদবা অনাবা অমবু আই সী য়ুদা থমদুনা হিঙ্গৎহন্নবা লাক্লবগুম, থোং অসিবুসু শেল চঙনা হিঙ্গৎহন্নবা লাক্লদুনা লৈখিগদ্রা? নৎত্রগা ইজিপকী মমিগুম নম্বুল তুরেলগী মোৎলবা খোংনুংদা লাৎতুনা থমখিগদৌরিব্রা? মোৎখ্রবা নম্বুল তুরেলদা অসুম্না ফীভম ৱায়োং চাদনা থন্বীবগী মহুত্তা, তৌফম থোকপা লাইনীং লাইশোনগী মথৌ-মঙম নীংথিনা পাঙথোকপীখিবনা হেন্না অফবা ওইগনি। অমরোমদা মীশি-মীনানচিংবা খুদোংথীবা অমত্তা থোকহৌখিদবসি য়াম্না লাইবক ফরবনি। করিগুম্বা নাতৈ পুতৈ চাদবা খুদোংথীবশিং থোক্লম্লবদি, লৈবাক মীয়াম, অচৌ-অশাং, অঙম-অথৌশিংনা খুদোংথীবা মফম অদুদা থুনা য়াঙনা চৎনদুনা য়েংনবা অমসুং নীংঙমহৌদদুনা অৱাবা-নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লবা হোৎননবদা কুম্মৈ তারমগদবা জাৎনি।

থোং নম্বোনবীগী নুংঙাইতবা ৱাফম লোইরবা মতুংদা মফম অদুৱাইমক্তদা লৈরিবা থোংজাউ অমগী অনৌবা ৱাফম অমা চেকশিন-থৌরাং মতম চানা লৌহৌনবা পাউদমজগে। মণিপুরদদি লম্বী-সরক অমসুং থোংশিং অসি থোইদোক-হেন্দোক্লা য়ুনিক ওই। তুরেল লাম্থোক-লানশিন তৌনবা থোং ওইরবসু মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক থোং মথক্তা পোৎ চৈ য়োলহল্লি অমসুং তাঞ্জা য়েংল-য়েংলগা গাড়ীশিংগী খাম্ফমসু ওইরি। লম্বী সরকসু অসি মঙায়। মী-পোং চথোক-চৎশিন তৌনবতা নত্তনা লম্বীগী চিদাই-চিদাইদা পোৎ চৈ য়োলহল্লি অমসুং পার্কিং ফীনচিংবা লৌদুনা য়াম্না সিষ্টেমেটিক ওইনা গাড়ীশিং পার্কিং তৌহল্লি। মসি লম য়াম্না চিঙ্গরবা অপিকপা টাউনগী হৈ-শিংলবা পোলিসি প্লান অদু ময়েক শেংনা উৎথোকচরিবনি। নোংমা মতা চারুবদগী অয়ূক্কী পুং ৭ লোম তাবা অদুৱাইগী মতমদা ৱাহেংবম লৈকায়গী লম্বীগা নাগামপালগী লম্বীগা শমজিন্নহল্লিবা থোঙজাউ মথক্তা ঙাইহাক লেপ্তুনা এঞ্জাং-নাপি খরগী মমল তিক্লরিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা থোঙজাউ অদু য়ুহারাবদৌনা খপ-খপ চোংবদৌনা নীক্লকই। অসুম্না থোংজাউ অদু নীকহল্লিবদু অতৈ মরম্না ওইরমদ্রে, অরূম্বা গাড়ী খরনা থোং মথক্তা লাম্থোক-লানশিন তৌবা মতমদা থোং অদু নিকপা ওইরম্লে। পোৎ য়োল্লিবশিংনসু থোং অদু হেক হেক নীকপনি হায়রকখি। অদুম ওইনমক, মী পোং গাড়ীনচিংবা চিনখৎলকপা মতমদদি থোং অদু থোইনা নীকপা খপ্পা খঙদে। মী পোং, গাড়ীশিং লেপ্পা লৈতনা মনম-মনম থোং অদু লাম্থোক-লানশিন তৌরকপা মতমদনা নীকপা, খপ্পা ফাওদ্রিবদুদি থোঙনা পুরিবা অরূম্বা পোৎলুম অদু হায়রপ কনষ্টেন্ট ওইনা হায়বদি হোংবা নাইদনা লৈদুনা অরূম্বা ইন্থদ্রিফাওবদি থোং অদু কোন্দুনা (Bending) খাঙদুনা লৈবদগীনি।

খন্ননীংঙাই ওইরক্লিবদি, গাড়ী খরা লাম্থোক-লানশিন তৌবদা আর সী সীনা শাবা থোঙজাউ অমনা নীকপা, নোম্বনচিংবা হৌরক্লবদি অফবা খুদমদি নত্তে। থোং অদু নাবা হৌরে, হকচাং শোল্লে হায়বনি। মতম চানা লায়েংহৌদ্রগদি, বি পি ষ্ট্রোক্কুম শাথিবা লায়না ওইদুনা থোংজাউ অদু খাঙতপ্তা পৎ তত্তুনা লৈবাক ৱাথোক ওইরবা য়ারিবনি। মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদদুনা খুদোংথীবনা হান্দোকখ্রগদি মথৌ মঙম শানহৌদবদগী নীংঙমহৌদবনা মরম ওইদুনা তকসি শোন্নদুনা অৱাবা ফোঙদোক্লগে হায়নরক্কনি।

মরম অসিনা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থোংজাউ অসিগী ফীভম অসি মতম চানা য়েংশিনবীহৌনবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙগী মফমদা থমজরিবা ৱাফমনি।

***অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি, সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট***

# লৌবুক্তা ঈশিং লৈতবা - নোংদা তায়নগদ্রা, গভর্ণমেন্টতা তায়নগদ্রা

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

য়েংবীয়ু মণিপুরদা তৌরিসে! জাৎ-জাৎ ঙাক্তনি, তায়োন্নবা ঙাক্তনি। য়েংবা য়াম্না নুংঙাইবনি য়েংববু হৈরবদি। লৌবুক্তা ঈশিং লৈতে হায়রে। লৌ উবা (পানবা) য়াদ্রে। নোং তাদবদগী লৌবুক্তা ঈশিং লৈত্রে। কুমগী নোং তাবা য়াম্না হন্থরে। লৌবুক্তা ঈকং থোক্লে। মণিপুর ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোকপা য়ারে। ঈকংগী তেংবাঙ সেন্টরদগী লৌবনা চুন্লনি হায়নরে। গভর্ণমেন্টসু কেবিনেট মীফম ফমদুনা ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোকপা য়াব্রা হায়বদু খন্নখ্রে। লৌবুক্তা ঈশিং লৈতদুনা লৈক্রক চৎপা উবদগী ঈশিং ফংদবগী থাক অদু য়ৌখ্রে। অদুগা অমরোমদনা ঈশিং চিংনবা পম্প পিয়ু লৌবুক্তা ঈশিং চিংশিনগে হায়দুনা লৌমীশিংনা গভর্ণমেন্টতা তক্লরে। নোং চুদ্রে, ঈকং থোক্লে, লৌবুক্তা লৈক্রক চৎলে অদুনা লৌ উবা (পানবা) য়ানবা গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংদা পম্প পীয়ু হায়দুনা তক্লরে। লৈতঙ্গায় ঙাক্তা ঙায়রবা উফুল হৌবগুম্না ঈকং কংনা লৈরবা লৌবুকশিংদুগী মনাক্তা চেল্লিবা খোংবাল/খোং/লৌখোং/তুরেলশিংদগী ঈশিং চিংখৎতুনা মনাক নকপা লৌবুক্তা থাজিল্লে। লৈকং ওইরম্বা লৌবুক লৈখোম থোক্লে। লৌ উবা হৌনরে। মতাং অসিদনি মণিপুর গভর্ণমেন্ট (হান্নগীসু য়াওরে) অমদি মণিপুর মীয়াম অনীসি তায়োন্নবা থবক খরা তৌরবরা হায়নীংলিবসি।

ঈশিং লৈরবদি ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোকপা য়াবা হৌনদে। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতুং ইন্নদি মণিপুরদা ঈশিং লৈরি মরুওইনা তুরেল, পাৎ, লৌখোং, খোংবাল, খোংশিংদা। মসিদবু ঈকং থোক্লে হায়না লুথোক্লুবা য়াব্রা? লৌবুক্তা ঈশিং লৈত্রগা ঈকং থোক্লে হায়বা য়াবগী ফীভমদু য়ৌদ্রি। ঈকং থোকপগী ফীভম হায়বদুদি লৌবুক, তুরেল, পাৎ, লৌখোং, খোংবাল, খোং, পুখ্রি, ইফুৎশিংদা ঈশিং কংখিবদুনি। মীয়াম্না থক্লা-চানবা, ইরুজনবা, ফিশু-ফিজাম্নবা ঈশিং ফাওবা লৈরক্তবা ফীভম অদুনি ঈকং থোকপা হায়বদুদি। মদুগী ফীভম অদুদি ঙসি মণিপুরদা ওইদ্রি। থক্লবা ঈশিং মরাং কায়না ফংলি। নোং মরাং কায়না চুদবদগী লৌবুক্তা ঈশিং লৈত্রগা ষ্টেট অসিদা ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোক্লগা সেন্টরদগী মতেং লৌনবা হোৎনবদা মায় পাক্লোই। সেন্টরনসু পীরক্লোই। সেন্টরনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ঈকংগী রিপোর্ট য়েংখিনি। সেটেলাইটতা য়েংবদসু কদায় কদায়দা ঈশিং লৈরি/ঈকং থোক্লে হায়বদু য়াম্না লায়না খঙবা ঙমগনি। শম্না হায়রবদা মণিপুরগী ঈশিং লৈগদবা মফমশিংদা ঈশিং ফজনা লৈরি। মসিনা থবক কয়াদা শীজিন্নবা য়ারি। মসিদা ঈকং থোক্লে করম্না হায়গনি। অদুনা ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোক্লবা মীফম ফম্বা/তকশিনবা হায়বদু তৌদ্রবসু য়াবনি হায়নীংই। হোয়, অমরোমদা লৈঙাকপা হায়বসিসু মীয়ামগী পুঙলোনগী মতুংইন্না জগোয় শাবা তারকপনি। অদুম্নমক্তি ওইরবদা, ফজবা জগোয় ওইজরবসু মতাং, মফম চাদ্রবদি য়েংনীংদে, থাগৎনীংবা ফাওদে। মীয়ামসু ৱাখল ইখন খন্থদনা গভর্ণমেন্টতা ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোক্লবা তকশিনবা হৌনদে। চীং, পাৎ, তুরেল, পুখ্রি, কেনেল, খোংবালদা পম্পনা চিংনবা ঈশিং লৈরগা নোংজুগী চাং খরা ৱাৎপনা মরম ওইদুনা লৌবুক্তা ঈশিং লৈত্রগা মণিপুর পূম্বা ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোকপদি খরা তায়োন্নবা মাল্লি।

নোং তাদ্রে। ঈশিং লৈত্রে। ঈশিং চিংগে। ঈশিং চিংনবা পম্প পীয়ু। কোয়লাউ লাউই। হংনীংলিবা ৱাসি অতৈ করিসু নত্তে, নোং তাদবদগী ঈশিং লৈত্রগা ঈশিং চিংনবা পম্প পীয়ু হায়বসি করি ৱানো? ঈশিং লৈত্রবদি পম্প লৈরগসু করি কান্নবা? ৱাহৈ ৱাতানি ওন্ন-তৈনরে হায়গদ্রা নৎত্রগা তৈন-ওন্নরে হায়গদ্রা খঙদ্রে। অদুবু নোং তাদ্রে, ঈশিং লৈত্রে হায়রগসু পম্প ময়াম খিন্দুনা ঈশিংদি চিংনরে, লৌবুক্তা থাজিন্নরে। য়ামখ্রবা ঈশিংনি লৌবুক্তা থাজিল্লিবসি। কয়াদা য়ামগে হায়ববু তেম্পাক লৈতুম ওইনা লৈরম্বা লৌবুক্তু লৈখোম লৈনাং ঙাক্তা ওল্লিবনি। ঈশিং য়াওদনা য়াবা নত্তে। ঈশিং হেক য়ামদবদা লৈতুমশিংদুনা খ্রক-খ্রক চুপশিনখিবদা লৈনাং থোকপা ঙল্লোই অদুগা উকায় তক্তুনা লৌ লীংবা য়ারোই। অদুনদি ঈশিং য়াম্না লৈ। ঈকং থোক্লে হায়রুবা য়াবা নত্তে। অদুনদি হায়বা য়ারে মদুদি ক্যামগৈ লৈহাও লৈবা লমনি হায়নরিবা মণিপুরসি ঈশিংসু মরাং কায়না লৈ। লৈতে হায়বা য়াগদ্রা? কুমগী নোংনা লিক্লা চুবদগী লৌবুক্তা লৌ উবা য়াদ্রবসু কেনেল, লৌখোং, খোং, তুরেলদগী ঈশিং চিংখৎলগা কুম অমগী লৌ উবা য়ারি। অদুবু ঈশিংদি লৈরগা ঈশিং মফম, মতম চানা শীজিন্নবা হৈতবগী মরম অমা লৈরে। শম্না ঈশিং মথৌ তারিবা লৌবুক্তা ঈশিং য়ৌহনবা হৈত্রে। মদুগী ৱাখল ফাওবা থাদদ্রি। করিগুম্বা নোংজুগী চাং ৱাৎতুনা লৌবুক্তা ঈশিং লৈত্রবসু কেনেল, লৌখোং, খোংদগী ঈশিং য়ৌহন্নবা পাম্বে লৈরবদি লৌমী মীয়াম, গভর্ণমেন্ট করিগী ৱানগনি, লৈবাক ৱাথোক ওইনগনি। কুমগী নোং চুরক্লগা লৌ হেক উবা অদুগা চুরক্ত্রগা হেক তোকপা হায়বদুরা ঙসিগী ইন্টরনেটনা খম থেংনা চাওখৎলবা মতমসিদা মণিপুরনা ওইরিবসি।

মণিপুরদা ঈথৈ লৌখোংগী হায়বদি ইরিগেসন সিষ্টেম মপূং ফানা চৎনদ্রি। মসিনি মণিপুর মীয়াম্না মীরমদগী চারগা হিংলিবা অমদি শেন্থোক লৈবা থবক ফংদবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। হন্দক কুমগী নোং মরাং কায়না চুদবদগী লৌবুক্তা ঈশিং ফংদ্রে। অদুবু পম্প শীজিন্নদুনা খোংবাল, লৌখোংদগী ঈশিং চিংদুনা লৌবুক্তা থাজিল্লগা লৌ উরে। য়েংবীয়ু মশ্বাইসিদা য়েংবা য়ারিবা ৱাফমদি অতৈ করিসু নত্তে, লৌখোং-খোংবাল অয়াম্বা থায়না ইপা-ইপুশিংনা লৌ উবা য়ানবা তৌরম্বা ঙাক্তনি। হোয়, ইরিগেসনগী মীৎয়েংদা শেমখিবা কেনেল খরবুদি য়াওরি। অদুবু য়েংবীয়ু মীয়ামসু হন্দক পম্পনা ঈশিং চিংদুনা লৌখোং, খোংবাল অমদি কেনেল পূম্নমক নাপি হৌজিন্দুনা ঈশিং চিংবা য়াখিদবদগী জে সী বি শীজিন্নদুনা তেংথোক্লবা মতুংদতা ঈশিং ঈরম চেনবা হৌখি। ঈশিং লৈতবদগী/ফংদবনচিংবা তাঞ্জা অদুদা লৌখোং তেংবগী থবক অমমুক হাপকৎখি। অচুম্বা অমা হায়নবা লৈ মদুদি থবক পূম্নমক ঙাইবা য়াই অদুবু লৌউ শিংউবা হায়বসিদি ঙাইবা য়াদে। মসি মণিপুরদা খঙবা মীওই কয়া য়াম্না লৈরি? মরুওইনা হংনীংবসি গভর্ণমেন্টনি। লৌমীদি মসি মুন্না খঙবনি। হন্দক্কী নোংজু ৱাৎপগী ফীভম অসিদা করিগুম্বা কেনেল, খোংবাল, লৌখোংশিং নাপীশিংনা ফুনজিন্দুনা লৈরমদ্রবা, ইরিগেসনগী ঈশিং ঈচেল লৈরম্লবদি অৱাবা অসি য়াম্না হন্থরমগনি। মতম চানা উকায় তক্লমগনি, লৌহোন হুল্লমগনি, লৌ লীংলমগনি। নোংমৈদি চেঙ কেজিদা লুপা ৫০ হেনগনি হায়বা ৱা হায়রল্লোই। অদুগসু অমুক হায়রল্লোই চেঙ তাঙবখক্তা নত্তনা নোংমৈদি চেঙ ৱানগে হায়বদা ফংলরোই। মসিমদি হায়নদে মদুদি নোংমৈদি চাক তাঙবগী ঈহৌ নুপীশিংনা তৌগদ্রা নৎত্রগা নুপাশিংনা তৌগদ্রা অদুগা কনাগী মায়োক্তা তৌগনি? নোংদা তৌগদ্রা, লাইদা তৌগদ্রা, হঙোইদা তৌগদ্রা, কুমদম্বদা তৌগদ্রা নৎত্রগা গভর্ণমেন্টতা তৌগদ্রা?

ঈশিং হায়বসি শেল লৈরে হায়দুনা লৈনীংবা মতমদা অতিয়াদগী লৈবা ফংবা পোৎ নত্তে। লৈবা ফংদবা মীওইবা ঐখোয়নসু শারগা পুথোকপা ঙমদবা পোৎতুদি অতিয়াদগী তারক্লিঙৈদা মফম চানা তুংদা শীজিন্ননবা থমহৌবা মথৌ তাই। হৌখিবা গভর্ণমেন্টশিংদা ৱারৌই। মিনিষ্টরশিং মমিৎ-মনা শিংদে। তৌফম থোকপা থবক্তা খোয়জংদে। ৱারৌই মখোয়দা। মখোয়নদি হায়রক্কনি মখোয় য়াম্না হৈ-শিংলবা মিনিষ্টর, এম এল এ, চীফ মিনিষ্টর ঙাক্তনি। অদুবু মদুনদি য়াবা নত্তে মখোয়না তৌথোরকপা থবক্লা তাকপনি। লোক্তাক লিফ ইরিগেসন, খৌপুম দাম অমদি অতৈ কয়া মায় পাকহনখিদবসি লাইবক থীবনি। ঈথৈ লৌখোংগী কেনেলশিংদা ঈশিং ফংলম্লবদি চহী চূপ্পা মহৈ-মরোং থাদুনা ইমুং কয়া থবক শূফম লৈরমগনি। তোলোপ চাবা থবক তৌনবা লৌ, ইখ্খোল য়োম্থোক্লরল্লোই। লৌ উরবা মতুংদা থা তরুক করিমতা থাদনা লৌবুকশিং লমহাং ওইদুনা লৈবসি লৈরল্লোই। লৌবুক্তা য়ূম-কৈ, মহৈশঙ, চেক্কোন শাজিনবসু তৌরল্লোই। লৌবুক্তগী মহৈ-মরোং পুথোক্লগা লমদমসিগী নুপী কয়া থবক ফংগনি হায়বসি হৌখিবা মণিপুর গভর্ণমেন্টশিংনা থাজবা ঙমখিদে। মহৈ-মরোং পুথোক্লগা মণিপুরদা ফেক্টরি লৈরক্কনি, ফেক্টরিগী মপু লমসিগী মীনা ওইরক্কনি, ময়াং লাকপগী চাং হন্থরক্কনি, চানবা পোৎ চৈগী মমল হন্থরক্কনি, কৈথেল চাওখৎলক্কনি, ৱার্ক কলচর হেনগৎলক্কনি, সেন্টরদগী নিরগা চাবা হন্থরক্কনি হায়বদু হৌখিবা চীফ মিনিষ্টরশিং, মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, এম পিশিংনা থাজবা ঙমখিদে। মদুমক্লা ইরিগেসনগী কেনেলদা ঈশিং থাদুনা লৌবুক্তা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনবদা হন্দক অৱাবা কয়া থেংনরিবসিনি। হন্দক কেনেলদগী ঈশিং চিংদুনা লৌ উবা য়ারিবসিদগী পড়া অমা তম্বা য়ারে। খ্বাইদগী অহানবা তৌগদবা গভর্ণমেন্টকী থবক্তি ইরিগেসনগী সিষ্টেম ফগৎহনবসিনি। দোলাইথাবী, থৌবাল, খুগা দাম মথৌ নিংথিনা তৌহন্দুনা কেনেলদা ঈশিং ফংহল্লু। মণিপুর লায়রব্রা য়েংসি। হৌজিক্কী গভর্ণমেন্ট অসিসু হৌখিবা গভর্ণমেন্টকুম্না ইরিগেসন ফগৎহন্দ্রবদি তুংগী মীরোলনা চৈরক্কনি। লৌমীগী ঈহৌ ঙাইবা ওইনা থোক্কনি। ●

# মতম অমগী লৌপু অমসুং লৌউবা অনীগী মরী কল্লকই

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

মতম অমদা মণিপুরদা উবা ফংলম্বা, লৌ উরিবা লৌমী অমদি লৌ মপু অনীগী মরক্তা লৈনরম্বা নুংশিনবা অমসুং থকসি-খাসিনচিংবদু ঙসিদি অয়াম্বা উবা ফংখিদবগুম তৌরে। চাওখৎলকপননি হায়গদৌরিব্রা নৎত্রগা মতম্না পুরকপা অওনবা-অহোংবা হায়দু ওইগদৌরিব্রা, ঙসিদি মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা শান্দুনা লৌ উরিবা লৌমীশিংগা লৌ মপুশিংগগী মরক্তা লৈনরিবা মরীসি মমাঙঙৈগী অদুম্নদি খক লৈনবা উখিদ্রে। ঙসিদগী চহী কুন্থ্রা-নিফুরোমগী মমাঙদা, লৌ উরিবা মী অমদি লৌপুশিংগী মরক্তা লৈনরম্বা মরীশিংদু ওন্থোক্লা নুংশিনরমখ্রে, নীংশিংলুবদা অসুক্কী মতিক কল্লকচৈ। লায়রবা মউ লীংদে, ইনাক-খুনবা মপান থাদে, নুংশিনবা অমসুং থকসি-খাসিগী লোনচৎপু লায়র-ইনাকখুনবা খায়ফম থোকপ্রা, হৌজিক্লা নুংশিননা লোয়ন-তিন্নবা য়াদ্রে হায়বা ৱাফমসু খক লৈবা নত্তে, নুংশিননা লোয়ন-তিন্নবা তারগনা করি কায়ফম থোক্লিবা, ইথন্তা খনবদা পাউখুম ফংদ্রিবা ৱাহংশিংনি। অদুম্মকপু, মতমগী অহোংবনি হায়বা ৱাফমসিমদি চুল্লম্বসু য়াই, মরমদি - মতমসিগী অচৌবা চৎনবী অমা ওইনা, মালেমগী মীশিংনা য়ামখৎলকপগা, মীপূম খুদিংমকসি মশা-মশাগী মথৌদগী হেন্না হেন্দোক-ফাদোকপা অমত্তসু ঙম্নরকত্রে। মশা-মশাগী মথৌ ফাওবদা নিংথিনা পাঙথোক্লবগী মতম  ফংলক্তবা মীওইশিংগী মশীং য়ামখৎলকই। শম্না হায়রবদা, থায়নগী মতৌগুম্না হৌজিক্তা, মীৎ লাউনা পাঙথোক্তুনা য়েংবা ঙম্বগী ফীভম অয়াম্বনা লৈনরকত্রে। অদুবু, পূম্নমকসি ওইদুনসু লৌ উরিবা লৌমীশিংগা লৌপুশিংগা খজিক্তংদা ওইরসু নুংশিননা অমদি তাথোক-তাশিন তৌনবগী থবকসিমদি হৌজিকসু অদুম্মক অফবা শোয়দনা ওইগনি খল্লি।

মতম অমদা, লৌ মপুশিংনা লৌ শান্দুনা উরিবা লৌমীশিংবু অসুক্কী মতিক নুংশিনা তৌরম্মী অমসুং লৌ উরিবা মীশকশিংনসু লৌপুশিংবু হায়নীংঙাই লৈতনা ইকায়খুম্ননা লোয়নরম্মী। নুংশিননা, লুনা তৌনবগী মতিক, অমনা অমবু লূম্না খন্নরম্মী। চহী খুদিংগী পোইনু থানা হেক লোইরকপগা, লৌ উরিবা লৌমীশিংদুনা মশাগী ষণ-গাড়ীদা, লৌপুদা পীগদবা লৌশান ফৌশিংদু হাপকত্তুনা নুমিদাংৱাইরমদা লৌপুগী য়ূমদা লৌশান থিনবা চৎনরম্মী। থৌদৌসিবু 'লৌশান কাবা' হায়নসু খঙনৈ। থৌদৌসিনি ঙসি ফাওবদা কাউবা ঙমদ্রিবসি, হৌজিক্কী মতমসিগা য়েংনরুবদা, নুংশিবা অমা পোক্লকই। মতমদুগী লৌমীশিংনা লোয়নরম্বা ষণ লাবশিংনা চিংদুনা চৎপা ষণ-গাড়ীশিংদু, তোংদুনা চৎপগী তোপ তোপ্পা মনুংঙাই অমসু লৈরিবনি। অথোৎপগী শক্তম য়াওদবা য়োৎনা কোয়শিনবা ষণ-গাড়ীগী কাখ্খোং অনীদুনা গদ্রং-গদ্রং লাউনা লমজাউগী অকনবা লৈমায়দা ওন্দুনা চৎপগী খোঞ্জেলদুনা, খোঙনা চৎপগী চাংদগী থোয়দোক্লা হেন্দনা চৎলিবা ষণ-গাড়ীশিং তোংবগী তান্থা অমসু ওইনরিবনি। পম্প অমদি স্প্রিং অমত্তা য়াওদবা ষণগাড়ী তোংবদা থোয়দোক্লা জর্কিংদা শুবা-খোৎপগী থবকসু থোইনা থেংনরমদে। পম্প অমসুং স্প্রিং সিষ্টেম য়াওবা হৌজিক্কালগী দিজল ওটোগা চাংদম্নরুরবদি ষণগাড়ী তোংবনবু হেন্না, হৌজিক্কালগী দিজল ওটো তোংবদগীদি অসুক্কী মতিক হেন্না নুংঙাইবরা খনগনি। গদ্রং-গদ্রং লাউবা ষণগাড়ীগী তান্থাগা লোয়ননা কিলোমিটর তরা-কুন লাপ্পা তোংশিল্লকপদা তুমনীংবা ফাওরক্লোইদবা মীশক তাঙলিবনি। মতমদুগী ৱাদসু নত্তে, হৌজিকসুনি মীওইবনা খ্বাইদগী পংই হায়দুনা পঙবদা চাংদম্নরিবা ষণ হায়বা শাসিগীসু শেন্থীবা মপুনা পীথোক্লকপা তোঙানবা, তোপ-তোপ্পা মচৎ অমা লৈ। ফনা লাপ্পা মফম ওইগেরা নৎত্রগা নকপা মফম ওইগেরা, গাড়ী চিংদুনা চৎখিবা ষণশিংদুনা হল্লকপদা, ময়ূম ফাওবা হল্লকপগী লম্বী খক কাউদে। মরম'সিনা, মতমদুগী লৌমীশিংদুনা লৌপুগী লৌশান তল্লম্লবা মতুংদা, লৌপুগী য়ূমদগী পানখত্তুনা ষণগাড়ী হেক থৌরকপদগী হৌনা ময়ূম য়ৌবা ফাওবদু ষণগাড়ী মথক্তা তূমদুনা লাক্লরম্মী। অদুম্না, ষণগাড়ী মথক্তা তূমদুনা লাকপগী মহাউদুসু তোপ-তোপ্পা মখলগী মহাউ অমনি। মতমদুগী লৌমীশিংদুনা লৌপুগী য়ূমদা লৌশান কাবা চৎপগী অতোপ্পা মহাউ অমগসু লৈরি। মতমদুদা, লৌমীশিংনা লৌপুগী য়ূমদা লৌশান থিনবা লাকপা নুমিৎ খুদিংমক্কী লৌপুদুনা মাঙজৌননা মী কয়া লাক্কদৌরিবনো হায়বদু পাউ ফাওনরগা লাকমিন্নরিবা পূম্বদু, অহাউবা ঙা-নুং থোংদুনা নুমিত্তুগী ওইনা নুমিদাংগী চারাদু শুংশোয়-শোয়দনা হাউনা পীজনবগী শোয়ফদ্রবা চৎনবী অমসু লৈ। নুমিত্তুদা, লম লাপ্পা লাক্লগা, মহৌশানা শূবা-নোম্বদনা মশিন ওইজবা লৌমীশিংদুদা লৌপুশিংনা পীজবা অহাউবা ঙা থোংবগী এঞ্জাং মহাউদুমদি, লৌশান কারুবা লৌমী খুদিংমক্কী মফমদা, মহৌশানা কাউবা ঙম্নদবা অখন্ননা হাউবা চাক-এঞ্জাংশিং হেক-হেক ওইনৈ। পল্লিবা পূম্নমকসি হৌজিক্কী মতমদদি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিংনা লোইনা মহুৎ শিনখ্রে। অমুক মখা তানা ষণগাড়ীশিংগী মথৌ থোইদোক্লা তারকখিদবসু য়াই। ফীভমশিংসি নীংশিংলুবদনি ঙসি, মতম অমগী লৈনরম্বা লৌ-উবা অমসুং লৌ মপু অনীগী নুংশিরবা চৎন-লোনচৎশিংদুবু কাউবা ঙমদ্রিবসি অমদি থম্মোয়নুংদা কল্লকচবা ফাওরিবসি।

মমাঙঙৈগী মতমশিংদা ওইরম্বা লৌমীশিংগা হৌজিক্কী মতমগী লৌমীশিংগাদি তশেংনমক অসুক্কী মতিক খেন্নরে। মমাঙঙৈগী মতমগী লৌমীশিংদি তশেং-তশেংনা অশেংবা লৌমীশিং হায়বদু ঙাক্তনি। অদুগা হৌজিক্কী মতমগী লৌমীশিংদি লৌমীনি হায়জবা খক্তা ওই, অয়াম্বনা মশানা লৌ অমত্তা উনদ্রে। ষণপোৎকী মহুত্তা ত্রেক্টর, কৌবুটাশিং ঙাক্তনা মহুৎ শিনখ্রে, লৌমী ওইরগসু ষণপোৎ খোয়বা হৈত্রে। লৌমীনা লৌমীগী থৱায় ওইরিবা ষণ, লৌমী অয়াম্বনা লোয়নরকত্রে। পোইনুদা ষণগাড়ী মশক উগে ফংলকত্রে। অহোংবসিবুনি মতমগী ঈচেল হায়রিবসি। মতম অমদদি ষণপোৎ হায়বসিনা লৌমীশিংগী অশেংবা শক্তম উৎনরল্লিবনি। মতমদুগী লৌমীশিংনা লৌ-ইখ্খোল কোয়বদগী হেন্না অতোপ্পা শিনফমশিং পাকনা তৌনরমদে, তৌবসু ঙম্নরমদে। ঙসিগী লৌমীশিং অয়াম্বনা লৌ উবগী থবক খক্তা নত্তনা অতোপ্পা বিজিনেসশিং কয়ামরুমসু অদুমক তৌনবা থেংনৈ। অসুম্না, হৌজিক্কী মতমগী লৌমীশিংনা অশেংবা লৌমী অমা ওইনদং লৈরক্তবনা, হৌজিক্কী মতমদা লৌ উবগী থবকপু থোয়দোক-হেন্দোক্লা লুনা অমসুং লূম্না লৌনরক্তে। ফীভমসিনসু লৌ উরিবা লৌমী অমদি লৌপুশিংগী মরক্তা লূম্না লৌনরক্তবগী মরম অমসু ওইরম্বা য়াই। পূম্নমকসি হায়বগী ৱানি, লৌমী অমসুং লৌপু নুংশিননা লোয়নদবা য়াদে হায়বগী অকক্লবা ৱাফম্মুদি লৈবা নত্তে। তৌইগুম্বসুং, মতম অমদা উবা ফংলম্বা শান্দুনা লৌ উরিবা লৌমীশিং অমদি লৌ মপুশিং, অনীগী মরক্তা লৈনরম্বা অসুক্কী মতিক নক্লনা অমসুং থাজননা লোয়নরম্বগী মওংদুদি, ঙসিগী মওংসিগা য়েংনরুবদা অসুক্কী মতিক খেন্নখ্রে, খল্লুবদা নুংশিবা অমা ফাওরকই অমদি কাউঙমদবা থৌদৌ অমা ওই হায়বগী ৱানি। পূম্নমকসি ওইদুনসু, মতমসিগী অহোংবা খোঙচৎসিদা ঙসিদি লৌমীশিংনা লৌপুশিংবু নক্লনা লোয়নরুবগী থোইদোক্লা মথৌ তাদ্রবা অমগুম তশেংনা লৌনরক্লে। চহীগী ওইনা পীফম থোকপা লৌশান খক্তমক পীথোকখ্রগা লোইরে, মখা তাবা থোইদোকপা মরী লৈনরুফম থোক্তে হায়বগী ফীভমদা লাক্লবগুম তৌরি। অমরোমদা, লৌ মপু ওইরিবা লৌপুশিংগী ৱাখল্লোনসু মসিমক্লি। চহীগী লৌশান্দুদমক উনরি, লৌশানবু ফংলবদি লোইরে, লৌ উরিবা লৌমীশিংনা করি তৌরি নৎত্রগা করি ওইনরি হায়বা ৱাফম থোইদোক্লা য়েংলুবগী কান্নবা লৈতবা অমগুম লৌনরকপসু থেংনরি। ফীভমশিংসিনা হৌজিক্কী মতমদদি ফনা হায় শাদুনসু, লৌ উরিবশিংগা লৌপুশিংগা নক্লনা লোয়নবগী চাংসি খরা মখৈদি অদুম্মক ৱাৎলক্লগদবা অমা ওই। ইচম-চম্বা লম্বীদা মীওইবা মশেল, অমগা অমগা নুংশিনবা, অঙম্বা মতেংশিং পাঙবা অমদি মীওইবা মশেনগী ওইবা ইকায়খুম্নবশিংদু উৎনবদি থোইদোক্লা কায়রোইদবরা খল্লি। অদুবু, মতমসিগী ইচেলদা তাউথরকপা কাউশিংশিংনা খরদংদা ওইরসু ইচেলদুবু নাথৈহনবা ঙম্নবা হোৎনরমগদ্রা হায়বসিদি খঙবা ঙম্বা নত্তে। ওন্নীংবা ওল্লকসনু, ওইনীংবসু ওইরকসনু, "অফবা অমসুং অচুম্ববু ওইরবদি খুদিংমক য়োক্তুনা থম্বদা কান্নবা শোয়দনা লাক্কনি, থৌদৌসিদা অরি-অনৌ খায়দোক্লুবগী থোইনা মথৌ তারোই" হায়নীংই।

লৈঙাক্কী মায়কৈদসু হায়নীংবা কয়ামরুম লৈ। লৌমীশিংনা লৌমীনি হায়জবদা চাউথোকচবা ফংদ্রবা লৈবাকসিদা, লৈবাকসিগী পুকচাক কনা লাক্লগা থাকপীরগনি? লুপা লাক্ষ হেন্না থাগী খূৎশুমল ফংলিবা ওফিসরশিং, শেলনা পুকচাক লৈবা ফংলকত্রবদি চারা হেনবা তারকপনি। শেল লৈ হায়দুনসু শেলমক ওইনা চাবা য়াবা নত্তবনিনা করি চারগা হিংগনি? মীরমগী সুপরফাইনসু লৌমীশিংনা পুথোক্লকপনি। মীরমদগী পুশিল্লকপা সুপরফাইন খক্তনসু চহী চূপ্পাসিমগী ইরমদমগী মীয়ামসিগী পুক থলহনবা ঙমগনি থাজরুবসু চুল্লোই। ওইথোক্লুবা হোৎনবদসু ৱাগনি। ইন্দিয়া পূম্বসি চাক চারগা হিংবা লৈবাকনি। লৌমীশিংবু ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি ষ্টেট লৈঙাকশিংনা অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবা উৎপীফম থোকই। ইকায়খুম্নবা উৎপীবদা নত্তনা, মতম-মতমগী ওইবা, লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱা-খুদোংথীবশিংদসু অচৌবা ঙাক্লৌশিং পীবিফম থোকই। ঙসিগী লৈঙাকশিংনা লৌমীশিংবু নীংশিংবীবগী চাংসি অসুক্কী মতিক ৱাৎলিবগুম উই। শুপ্নগী ঈকং থোকপা নৎত্রগা ঈশিং ঈচাওনচিংবশিং থোক্লকপা মতম খক্তদা, লৌমীশিংনা হা-কার লাউনদুনা অয়াকপা খোঞ্জেলশিংনা লাউনরক্লবা খক্তদা মতম-মতমদুগী পাল্লিবা লৈঙাকশিংনা লৌমী লৈ হায়বসি নীংশিংনরকপগুম তৌরি। থৌদৌসি খক্তনদি ইরমদমসি খক চাওখৎহনবা ঙমখিরোই। লৌমীশিংগী হীরমশিংদা লৈঙাক্কী অচেৎপা মিৎয়েংশিংগী মথৌ তারি। ●